*“মৈতৈবু মশক তাক্লবা মচল থিগে হায়রবদি পাই হুরাউবদা থিবা তাই। ....অশেংবা পাইফমদা মীসু পাইসু হুরাউমিন্নদুনা পুন্না উঙমদবা অমসুং অউবা অনীগী তিন্নফম ওইরি।”*

*- চোংথাম মনিহার সিংহ (পাই হুরাউবা)*

## ৱাখল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐগী মখোঙ য়াংউ য়াদ্রবা
কলমসে ঙসিদি অমুক থাঙ্গৎলুরে
করিগুম্বা খরদি ফোঙদোক্লিংখি
লৈবাক্কীরা, খুন্নাইগীরা নৎত্রগা হৌখ্রবা
মতমগী ৱাথোক লান্থোকশিং।

তুমিন্না ৱাখলগী পরিং অমা
শাগৎনবা কন্না হোৎনরুবনি,
পরেং অমা অনীদং
লমথারগে খনবতা মঙাইহরি।

ঐগী নুপীনা নারুমদগী বেরেং বেরেং ঙাঙথরকই।
করি করিনো মরী অমত্তা শম্নদে
ঐগী হান্না ইথক অদো
অতোপ্পা মায়কৈ অমদা নাথৈদুনা চেন্থখিরম্মী
শাগৎখিবা মঙলান্দো পুমকায় কায়খি
মচেৎ মচেৎ কয়া থোক্লা।

অমুক হন্না শাগৎনবা
কয়ারক হন্না হোৎনরুই
অদুবু ঙমখিদে ঐগী ৱাখলগী
ঈচেল অদো অমুক হল্লকউ হায়বা।

তিনশিন্নখ্রে ঐগী ৱাখলগী ঈপাক্লা
ফজরবা তাকমু পাৎকী ঈপাক্লা
মালংগী শাহুম ফংবদা
হাই হুন্না জগোয় শারিবা
ঈপোম নাইরিবা ঈপাকসে
য়েংবগী পেনবা নাইদ্রে।

কাউখ্রে অৱা অনাসু
মসিবু করম্বা খূৎশেমনো
তাইবঙ মপূ মহাক্কী
থাগত্তবা ঙমদে মহাকপু।

## চেকপলদুই ৱাংমদা

**—মেঘ কোলোম**

ৱাংখৎনা শাগৎনরক্লিবা মথোলশিং
লংনা নীংথিজরবা দলানশিং
খাজিন্নরদুনা ৱাংলবা চেকপলশিং;

মরৈবাক নীংজ-নুংশিজবা
খুন্নাইসিবু থৌগল তৌজনীংবা
মতিক লৈরবা মচাশিং
হেনগৎলক্কুনা ঈচাও ঈচেলগুম;

ৱাংল চেকপলশিংসিগী ৱাংমদা
হামচৎনর থৱায় কয়া
চাকথুং ফিথুংনদ্রবা খুন্নাইসিগী
হিংনরি তুশোন মানশোন্ননা
মনীং তল্লবা লৈবাকসিদা।

## নীংশিংলুবদা পিরাং

**—কুলচন্দ্র মোইরাংথেম**

শিন্থরি লেপ্পা লৈতনা
মীৎলু নাপোম অনীদৈ
লেপ্নাইদনা চেন্থরিবা
লোইবী চীংগী লোক্লুংদগী
‘কায়রবা’ থম্মোয় লকাদৈ
শিন্থরি পিরাং নীংশিংলুবদা।

লৈকোল কয়া চঙদুনা
য়েংলুই-থিরুই নহাকপু
হৈপাল-লৈপাল কয়াদা
হংলুই উবরা নহাকপু
অঙাওবা মীগুম তৎতনা
মহাক্তবু নীংশিংলুবদা পিরাং।

কোয়না চৎতুনা হংলুবা
নোংজা কয়া চুপ্না
ৱারবা খোঞ্জেল-খোন্থাংনা
খুমখিদে কনাসু ঐঙোন্দা
পাউখুম ওইনা লক্লখি
ফিজিদা য়ান্দুনা ঐগী
মহাক্তবু নীংশিংলুবদা পিরাং।

## ৱাদৌরিদা ইমুং অসে

**—মাইস্নাম বোমচা**

কৌরম্মী হায় মতম অমদা,
সনা ইমুং নোংপোক্কী
কিনরম্মী হায় মতম অদুদা,
মালেম লৈকায় পূম্বনা।
পাল্লম্বনি হায় ইমুংসে,
ইংনা চিক্লা, মকা তম্না, মবুক চেৎনা
ওইরম্মী হায় মচা মশুশিং ইমুংসিগী
য়োয়বু য়োহেনবা, হরাউ তয়াম্বা।

চায়রে কাং-খোং ইমুংসে হৌজিক
মপা থোকপা লাকপনা
অচুম অরান থিদরে
ওইরে অচুম্বা অকনবনা
ওইরে অশোনবগী
চৈবুল চাবগী মশরুক।
অচুম্বা লৈতরে, অশোনবা হিংহৈদ্রে
ৱাদৌরিদা ইমুং অসে।

মমা শকপীদু থুংলরে
হায়নৈ লৈঙমদবদগীনি মচাগী অৱাবা,
লাকখিবনি ৱাখ্রবা লম্বী লান্দুনা।
মচাশিংগী ৱাখলদা চাওথোকচখি
তরাম্না ওকচখি পলেম্বু
কিনা কিনা মপা শকপবু।

কুইদে থুংলবগা লাওনবা কাওনবা
লেপ্তে লাউ খোঙবা অনীমক
হায় য়াইফ থৌরাংনি,
মচাশিংগীদমক।
হন্নবা নায়দবা ঈরাংদুদা
ওইররে অৱাবদি মচাশিংগী।
ফংলরে চৈথেং হঞ্জিন-হঞ্জিন,
মপানা লাউবগীসু,
মমানা লাংবগীসু,
ৱাদৌরিদা ইমুং অসে।

শেমজিন তাশিন লম্বী লৈবা
মচা ইবুঙো অহলদি
থেংনদে হকথেংননা অৱাবা চৈথেংদো।
পঙ্গল শোনবা লম্বী লৈতবা অতোনবদুদি
থকতোরকপা চৈবুল কয়াদো চারেদো।
লৌশিং লৈবা ৱায়েনবা হৈবা য়াইমদো
নমাসু কি, মপাসু কি
অচুম-অরান খঙলসু
তুমিন্না অদুম লৈশিনখ্রে
মখূৎ নামাফাও তিংথোক্ত্রে
ৱাদৌরিদা ইমুং অসে।

কাউখ্রবরা পান্দম লমশাং লাকপদা?
কুইনা চায়নবা ৱারদুনা ওইখ্রবরা অমত্তা?
হায়নীংলক্লে পামজদ্রে অচুম-অরান,
অমুক্তা চিক্লা হিংনীংলে,
কাংথোক্ত্রসু কিদুনা ইচিলসে,
ৱাদৌরিদা ইমুং অসে।

## নুংশিবা

**—নোংমাইথেম নোরেন**

পামদেনে অয়ূক্কী কোরৌ
চঙখিগদৌবা নোংচুপ চীংশাং মরুমদা;
খোইদাদেনে থানিলগী নিংথিজবা
মাঙখিগদৌবা খঙহৌদা
মঙালগী তাইবঙদা!

মচাবু নুংশিজবা মমাগী,
মরুপকীদমক কৎথোকপা মরুপনা,
কল্লকচৈ ঐনা অশেংবা থম্মোয়!

লান্থেংনরোই ঐহাক ঙমখৈ অমগীদমক
মীওইবা খুদিংগী ওইবা মালেমসিদা;
পায়রোই খূৎতা খূৎলায়
শিন্থহন্নবা নুপী কয়াগী মিৎলু পিরাং;

পীবা ঙমজবা পূম্নমক্তা
থম্মোয়গী শেংল’ নুংশিবা
মদুনা ওইগনি পুন্সিগী পান্দম !

## মোঙফম

**—নন্দো হাওরোংবম**

হে লাই হে লাই
অচুম্বা কৌবা লাই
করিগী নমথবিরি নঙবু
ইতৎ তৎতনা
অরানবা কৌবা লাইনা
মীনল্লবা তাইবঙ অসিদা।

অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং
শোঞ্জখি নঙতবু
অচুম্বা কৌবা লাই
তরেৎ শেঞ্জা খরগী
অচুম্ববু অরানবা ওলহনবা
ৱায়েল চুক্লি পায়বশা।

খঙই ঐখোয়সু নখোয়গুম
চাবদা খুদাং শিথদে
থবক শুবদা খুদাং শিথৈ
ৱাদনা তানবা শেলদি
ৱাইগী মশক ওইবনি
অমমম অঙান নাইবগুম
লাক্লনি নখোয়গীসু মতম।

কাউগনু অশিংবা শাবশা
ঙকচাউ থেক্লা চৎলিবা
খুকউ শেনবা হৌহৌরো
মীগী মাঙনবা তৌবদি
মোঙফমদা তূম্বগা মানৈদো
মীকুপ্তা লোইবা পুন্সিনি।

## ওম্বা নুরাথেল

**—ডা. আর কে নির্মলা**

ঙসি লোক্তাক পাৎকী চিদাইদা
তাকমু পাৎকী মপানসিদা
কয়াদা নুংঙাইহরিবা ৱাখলসে।

নুংশি লমদম লমনুংশি
তাকমু পাৎকী ইয়াইদা
চীক্লা লেম্না ঙান্থোইরিবী
কোলোয় মীংলেন নুংশিবী
‘ওম্বা নুরাথেল’
কয়াদা পূক্লিং হুরিবা।


নাক য়েৎতা উরিবা
পাৎকী ফজবনা শুক্মৎখ্রে
লৈতাফম খঙদ্রে থম্মোয়সে।

# কিশি

## (ইশাগী পুন্সিদি ইশাগী হক্লা মনুং মপান ইহো হোনা মশক তাক্কদবনি হায়রিবা উপন্যাস অমা)

*মীওইবগী* পুন্সি হায়বসিবু লাইবক্লা শেল্লিবরা নৎত্রগা মাগী মাগী থবক্লা (কর্মনা) পুরিবরা? কবি কয়ানা, অইবা কয়ানা, ফিলোসোফর কয়ানা মসিগী মরমদা ৱা কয়া হায়খ্রে, হায়রি, হায়খিগনি। অদুবু ঙসিফাওবদি মসি অচৌবা ৱাহং অমা অদুম ওইরি। নোংদম্বনা তমখ্রবদা কনানা খেৎলুনি হায়বা কয়া অমা। অমুকসু মানা মানা তৌজরুবা কর্ম ফল মশানা চাজবা তাবনি হায়বা অদুম লৈ। তাইবঙ মীওইবনা মশানা শোয়খ্রবা থবক্তু মরাল য়াজনীংদবদগী লাইবক্তা তাইশিনবা ঙাক্তনি হায়বসু অদুম ময়াওরি। অদুবু জর্মন ফিলোসোফর, লৈবনীজনদি হায়রি, “ঐখোয়না করিসু তৌনীংঙাই লৈতে, পূম্নমক হান্না তমখ্রবা ঙাক্তনি, লাইবক্তা।” মানা মসিবু 'Pre-established harmony' হায়না কৌরি। নোংদম্বনা ঘড়ী চপি থাবগুম থাখ্রবা ঐখোয়গী পুন্সিনি। মাগী ৱাসি করম্না খেৎলুনি। হিন্দু ফিলোসোফিনসু অদুম য়ারি, লাইবক্তা তমখিববু খেৎপা য়াব্রা? মাগী মাগী কর্মনা অদুক মতম খরা ঙাইথোক ঙাইশিন তৌবতনি হায়রি। কয়াদা লুখ্রবা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিনো?

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি পায়খৎচরিবা রনবীর সারুংবম্না ইবা, ‘কিশি’ কৌবা উপন্যাস অসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলনি। পাবা য়ারে। ৱারী মচা ইবা অমা ওইনা হান্না মশাগী মশক তাকখ্রবা অইবনি। অদুবু লাইরিকসি পারুবদা ফাওরকই - “নোভেল ইগদবা মীসিনা কমদৌনা ৱারীমচা ইদুনা লৈরুরিবা”। ৱারী লীবা হৈবা (Story telling effect)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

হায়বসি নোভেল ইবগী খ্বাইদগী অহানবা মচাকনি। মদুদা প্লোট শেম্বা হায়বসিনা মতেং পাঙশিনজগদবনি। নোভেলগী লৌবুক্তি পুন্সিনি। মীওইবগী পুন্সিগী মচৎ কয়াবু মিৎমাঙদা শেমদুনা পুথোকপা হায়বসি নোভেল ইরিবা মীশক্তুগী শোইফদ্রবা মথৌনি। পূম্নমক রনবীরদা য়াওরে, মায় পাক্লা চঙশিনবা য়ারে। "A true novel means simply a work of fiction which relates the story of plain human life, under stress of emotion, which depends for its interest not on incident and adventure, but on its truth to nature" হায়বদুমক্লি। লাইরিক অসিদা মীওইবগী অচম্বা পুন্সি মশক কয়া থেংনরি। অমগা অমগা ইয়েৎ য়েৎশিন্নবা। ৱারীসিগী হেক হৌরকপদগীনা লোইবা ফাওবদা চেনা পন্দনা চেন্থরি, নুংশিরবা, ফজরবা নুপীমচা ৩/৪ গী চমজখ্রবা পুন্সি ৱারী। লৈমচা কৌবী অমনা প্রোটাগোনিষ্ট ওইনা শেম্বা নোভেলনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মচৎ কয়া ফজনা পুথোক্তুনা নৈনরি। মদুসু হেক থোকপা ঙাক্তা, ফজনা শাশিন্নবা অমতা নত্তবা। ওন্থোক্লা মওং তাবা প্লোটনি। ফ্লাস বেক অমদি নীংশিংবা হায়বসিনা অইবনা শীজিন্নরিবা খূৎলাইনি। অহানবা লামায়দা প্রোটাগোনিষ্ট ওইরিবী লৈমচা নাদুনা লৈবা উৎলি। মাবু অনাবা হংবা লাকপা মমান্নবী কয়া পুশিল্লকই। অতৈ ৱারীদি লৈমচানা নীংশিংলকপা লৈশারিঙৈগী থৌদোক ৱাথোক কয়া অদুনি। ৱারী খূৎলি অসিনি ফজরিবা। মসিদা সস্পেন্স ফজনা হাপ্পা ঙম্মী। শীজিন্নরিবা ডিকসন, শীজিন্নরিবা ইপিসোদ ওন্থোক্লা মওং তাখ্রে। ঐখোয়গী খুন্নাইদা লৈরিবা অমম্বা শরুক, মরুওইনা নুপী খুন্নাইদা লৈরিবা অপঙ থাজবা (Superstition), ৱাখল থেঞ্জবা ফজনা পুথোক্তুনা নৈনখ্রে। লোইনা মরীক চুম্মী, হেক্তা থোকখিবা মাল্লি, মসিনি লাইরিকসিগী মায় পাক্লিবা।

লাইরিকসিগী ফন চোংথোকপা মশক অমতং হায়বা তারবদি কুনশুবা চহীচাগী অনীশুবা তঙ্খায়দা লৈরম্বা মৈতৈ খুন্নাইগী চমজবা পুন্সি মহীং, মতমদুগী লৈশাবী পাখঙগী চমজবা মচৎশিং অদু হেক্তা মিৎমাঙদা পুথোকপা ঙম্বা অসিনি। অদুনা নোভেল অসি নোভেল ওফ করেক্টরস হায়বনা পকচগদবা ওই। খুন্নাইগী প্রোব্লেম্সু অপিকপা কেনভাস অমদা হাপচিল্লগা নৈনবনি, অপাবশিংগী পূক্লিং হকচাং ফাজিনবনি। ওন্থোক্লা হেক পকচখ্রে। রনবীরগী মফম অমা পীদবা য়াররোই ফিক্সন ইবদা। অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা ৱাহৈ ৱাতা ওন্থোক্লা চঙখোন্না পুথোক্লকখ্রে লামায় খুদিংদা।

ৱারীদি ইচম চম্বা ৱারীনি। লৈমচাগী পুন্সিনা ময়ায়দা লেপ্পলগা মমান্নবী ৩/৪ গী লমচৎ-শাজৎ, পুন্সি মশক তাকপনি। অরেপ্পী, অমোনবী, পামগনবী, লৈরিক হায়না মিংথোনবা কয়ানি। নুপাদসু লুখোই, শাথৌবা, পাপাখঙ অসিনচিংবা মমিং থোন্দুনা ময়ামগা মান্নদবা খূৎই অমা শেল্লকই। নুপী নুপীদুগী মতৌগা চানবা মিং পীশিনবনি। হায়রিবা লৈশাবী পাখঙশিং অসি নৌরিঙৈদগীনা কলেজ কারকপা মতমফাওবা লোয়নরকপা উৎলি। মতমদুগী শিংজু চাফম শেমগৎলকই। মদুদা মখোয়গী উনফম ওইহল্লি। লমচৎ খুদিংমক মশক অমতা মান্নদে। নুপীলক্তা পামগনবী য়াংতক তৌবা লমচৎনি। মহাক লৈমচাগী ৱা লৌহৌদ্রে, অদুনা মতমগী পাখঙ লুখোইগী ৱাহৈদা পেৎথখি। অদুনা লৈশানা নাউপুরকই। মদুগী ৱাথোক অমা শিংজু চাফম ময়ামগী ইনে হায়বীদুগী পোৎয়োনফমদা লুখোই কৌদুনা কন্যা কৎখিবা ফাও মতেক মতেক লৈমচানা নীংশিং নীংশিং লীরি। অরেপ্পী হায়বী লৈশাবী অসিনা শাথৌবগা নুংশিনরবসু, শাথৌবগী তোররিংবা মচৎ অদু লৈমচানা য়াদে, অদুনা মরীদু থদৎনবা পাউতাক অরেপ্পীদা পী। অরেপ্পীগী মমা মপানা শীনবা নুপাদা লুহোংখি। মদুগী ৱারেপ্তু কাইনথংদা চুল্লকই, অরেপ্পীগী পুন্সি নুংঙাইখি। মানা লৈমচাবু কাউবা লৈতে। মসিনা তাক্লি, মতমদুগী অহল-লমন্না শীন্দুনা নুপী ময়ূম পালহনবা অফবা চৎনবী অমনি হায়না। অমুক অমোনবীনা মমা-মপাগী কায়থরকপা মরীনা শাফু পীরকপদগী মাইবা অহল চুড়াঙৌদা চেনবা তাখি। মাগী পুন্সি য়েক্লকপদা মতমদুগী মন্ত্র-যন্ত্র (black art) থাজনবীগী অঙকপা মশক অইবনা শাগৎলকই। অমোনবীগী মমানা অতোনবীনা ফাখ্রবা মপুরোইববু মাগী ওইনা লৈনবা হোৎনবদা মাইবা চুড়াঙৌ থেংনরুবা। অপঙ থাজরুবদগী মাগী খূত্তা তাখিবা, ঈজৎফাও মপুরোইবগীদমক মাঙবা তাখিবা ৱারী পরেং কান্দনা পানীংবা পোকহল্লি। মসিদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ ৱাতা, মতম, মফম ওন্থোক্লা রিএলিটি তাখ্রে। তশেংনা হেক থোকপা মাল্লে। অমোনবীগী মমা লৈখা তাখি, অদুবু মমাগী বদনাম কন্নবা হোৎনবদা অমোনবী য়াওদবা য়াখিদ্রে। খজিক খজিক্তগী মাসু মাইবদুগী চক্রদা ঈরাক্লুরে। মমৈদদি মশামক মাইবগী শান্নপোৎ ওইরকই, নাউপুবদা তাখি। শিবা য়াদবনিনা হনুবা অদুগী মতুং ইনবা তাখি। মসিদা ফজরিবদি অদুক লুখ্রবা, মীমাঙদা ঙাঙবদা ইকাই-ইকি ৱাংমা লানগদবা ৱাহৈ কয়া অইবনা ফজবা ৱাহৈ ওন্থোক্তুনা পাউদম্বা ঙম্বা অসিনি।

অরোইবদা লমচৎ ফজবী, অহল-লমন, মপু-মবেন্না ৱারক চেৎলকপী, মশাগী পুন্সি মশক খঙনা চাউরকপী লৈমচানা মাগী নুংশিনজবা পাপাখঙগা লুহোংখিবা ফিদম অমা পীরিবা ৱারোইশিন্নি। অদুবু হেন্না ফজরিবদি লৈমচানা মাগী পুন্সিদা শেম্বগী মথক্তা মমান্নবী অমতা মাঙদবা খোন্দুনা পুথরকপা ঙম্বা অসিনি। মতা পামগনবী লমচৎ কাম্বা লুখোইগা য়ূম্বাল মথোঙ চারক্তবদু চৎতুনা লুখোইবু ৱাখল তানবা ৱারকপা চৎলুই। মমৈদা নুংশিননা লৈখি। অমুকসু অমোনবীগী মাঙলবা পুন্সি অদু কন্নবা হোৎনখি। মাইবা চুড়াঙৌ মাগী কর্ম ফত্তবনা মীনা ফূরকপদা লায়না ওইনা শিখি। অইবনা অচুম্বা ৱায়েল পীখি। নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী অমোনবী মাগী হান্নগী নুংশিনজবা য়োইহেনবগা থুংননবা শীনবা তাখি। য়োইহেনবগী লমচৎ ফজনা য়েকই। অশেংবা প্রেমিক অমগী মগুন চেল্লি। অদুনা লৈমচানা চঙশিনবদা লায়না থোকখি। ফিভম্না লৈখা তারুরবী অমোনবী লৈমচানা য়োইহেনবগী খূত্তা শিন্নখি। য়োইহেনবগা অমোনবীগা থুংনখিবা অহিং অদুনা লাইরিক অসিগী অরোইবা লামায় ওইরি।

শম্না হায়রবদা নোভেল অসি পাবা য়ারে। অপাবশিংনা মিৎ কৃপ্তুনা লোইদ্রিফাওবদি পাহন্নীংবগী মগুন য়াওরে। হায়বা য়াই- এন্টাগোনিষ্ট কনানো? এন্টাগোনিষ্ট য়াওদনা করম্না নোভেল শাগৎকনি। অদুবু ঐদি হায়নীংঙি খুন্নাইনা, লাইবক্লা লমচৎ খরা অসিগী এন্টাগোনিষ্ট ওইরি। পুন্সিবু পুন্সি ওইনা লৈবা য়াব্রা? ঐগী ঐগী অকোয়বনা পীরিবা ঈথিনবু কনানা নান্থোক্তুনা চৎপা ঙম্বগে। ঈরৈনুংদা লৈশিন্দুনা লৈরুরবা লমচৎ খরনা উপাই অমা তৌদুনা পন্থুং তাল্লকপা তরাইবা থবক নত্তে। অদুনা নোভেল অসি মায় পাক্লবা নোভেল অমনি হায়নীংঙি। তোপ-তোপ্পা মহাও অমা পীবা ঙম্লে। অদুনা কিশি কিদুনা থমোয়নুংদা পূক্লিংগী পামজববু থল্লবদি নুংশিনবা চিংদে, নুংশিবদি, থমোয়গী, পূক্লিংগী পাউ শৎ শৎ হায়দোক্লগদবনি হায়রিবা অইবা রনবীর সারুংবা থাগত্তবা ঙমদে। মথঙগী হেন্না ফজবা নোভেল ঙাইরি।

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | কিশি |
| মখল | ঃ | উপন্যাস |
| অইবা | ঃ | রনবীর সারুংবা |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল |

হন্দোকপা

# লম্বোইবগী লুক

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

*শনশেনবা* রামধনগী থোঙ্গালদা লম্বোইবা অমা লাক্লে, লম্বোইবদুনা হাইরকই - “ইচানুপা য়াইফবা ওইয়ু, লম্বোইবা ঐঙোন্দা করিনো খরদি হাপ্পীয়ু।” রামধননা মাগী লোয়নবীগী মনাক্তা লাক্লগা হায়রকই - “লম্বোইবা অমা থোঙ্গালদা লাক্লে, করিনো খরা পীখিসি।” মাগী নুপীদু কোল ফেংলি, মানা কোল ফেংনা-ফেংনা খল্লি ঙসিসিবু করি চাগদৌরিবা। ইমুংসিদা চেঙ মরু অমত্তফাওবা তাদ্রে। লমদা থানি অদুবু মফমসিদদি নুমিৎয়ুংবা মতমসিদা অমম্বনা কুপখরে। লৌবুক্কী মহৈ-মরোংশিংসু লোইনা লোইখরে। তংখাই অমনা মহাজন্না অদুগা তংখাই অমনা জমীন্দারগী লৌশাল খোম্বশিংনা খোমগৎখরে। চরু য়োন্থোক্লগা ষণ লাবদুদি মহাজনগী মখূত্তগী কলহৌরে। মখোয়গী ফৌবোল শরুক খরা ফংহৌবদুনা মন-মন্দুনা য়ৈবদা ফৌ-মন অমরোমদি ফংহৌই। উচিন-নাচিন্না লমদা থাদি হৌখিদৌরে। করম হায়না তৌনি, ষণ লাবসিনা কদায়দগী অমুক পীজনি, ইমুংগী থৱায়শিংসিনা কদায়দগী চাগনি, মসি লাইনিংথৌ মাতনা খঙলমগনি, তাঞ্জাসিদা লম্বোইবা অমা অমুক লাকশিল্লবা, মাবু করম্না মখূৎ হাংনা হল্লনখিনি, মথৱায় অমুক নুংঙাইরোই। মাগী নুপীনা হায়রকই- “করিনো পীগদৌরিবসিবু, করিমত্তসু লৈতে? - “খঙদে চফুন্দা য়াম-নুং খরা য়াওরিবরা য়েংউ।” নুপীনা হায়রকই - “চফুন্দু খোত্তুনা ঙরাংসু উচিন নাচিন্না চাকখুম মৈ মুৎত্রিবনি। মদুদসু অমুক লৈরমখিগদ্রা?” রামধননা - “অদুবু ঐদি লম্বোইবসিদা ঐখোয়গী য়ূমদা করিমত্তা লৈত্রে, কনানো অমদগী নিরুরো করম্না হায়গনি।” নুপীনা হায়রকই - “পুরুবদুসু শিংদ্রিবনিনা অমুক পীয়ু করম্না হায়রুনি?” রামধননা - “লাই কৎনবা য়াম খরা থমখিদাইনে অদুদগী লৌথোরকলো।” নুপী- “অদুদি লাই খুরুম্বা মতমদদি কদায়দগী লৌরুনি?” রামধননা - “লাইদি নিবা লাক্তেদনা? লৈরগনা কৎলে, লৈত্রগনা তোকলেদনা।” নুপীনা মদুসু য়ামদ্রবনিনে, ৱাদি কিলো মঙামুক্লা লৈরমদৌবা মানবা, য়াল্লবদা কিলো মখায় অমমুক লৈরমগনি। মতুংদা লম্বোইবা অমত্তা লাক্লরোইদরনে? হায়দোকখো।” রামধন-“হৌজিক্কী লোইখ্রগা লোইরে, মতুংগী অমুক খন্নসি।” নুপীনা শাউরংননা হৌগৎখি, অপীকপা তেক অমা পুরগা লাক্লে, মদুদা য়াম কিলো মখায়মুক য়াওরি। গেহুগী য়ামদু য়াম্না চেকশিন্না লাইগীদমক্তা থম্বনি। রামধনদু ঙাইহাক্তি ৱাখল খন্দুনা লেপ্তুনা লৈরে, অদুদগীদি তেংকোৎ অমদা য়াম খরা হাপ্লগা পুরক্লে অদুগা লম্বোইবদুগী খাউদা হাপ্লুরে।

লম্বোইবদুনা য়ামদু লৌরগা হায়রকই - “ঙসিদি লম্বোইবসি মফমসিদা থুংলগে। হৱাই খরগা পীরো, লুক হৌরগে।” রামধন্না ইমুং চঙলক্লগা পাউদু অমুক তল্লরে, লাইবক ফবদগী হৱাই খরদি লৈরম্মী। রামধননা হৱাই, থুম অমদি শন্থি অকংবনচিংবা থিদুনা পীরে। গুহাদগী ঈশিং শোক্লুরে। লম্বোইবদুনা য়াম্না নিংথিজনা তল অকংবা হৌরে, হৱাই থোংলে, মাগী খাউদগী আলু অমা লৌথোরক্লগা মৈদা লৌরে অদুগা কংমেৎ তৌরে। থোং-থাকপা লোইরক্লবা মতমদুদা মানা রামধনদা অমুক হায়রকই - “ইবুংঙো, লাইনিংথৌদা লুক কৎনবা ঘী খজিক্তংদি পাম্মীদা, ঘী য়াওদ্রবদি চাকখুমসি শেংদোকপা য়াদেনে।” রামধননা - “বাবাজী, ঘীদি লৈরমদৌবা মানদেদা।” লম্বোইবা - “লাইনিংথৌনা অসুক য়াম্না পীবিরিবসিদি, অদুগুম্বা ৱা ঙাঙগনু।” রামধননা - “ইবুংঙো, ষণ-ইরোই অমত্তসু লৈজদে কদায়দগী ঘী লৌরুদৌরিবনো?” লম্বোইবা - “ইচানুপা, লাইনিংথৌগী পুক্কেদদি পূম্নমক ফংই, য়ূম্বুরেম্বীদা হংউদনা?” রামধননা চঙলক্লগা মাগী নুপীদা হায়রকই - “ঘী পীয়ু হায়রিনে, নিরগসু চারি অদুগা ঘী য়াওদ্রবদি খৌনাওদা চংউ য়াদ্রমাল্লে।” মাগী নুপীনা - “য়াম্বসু নত্তে, দুকান্দগী খরা লৌরুরগা পীবিরো, অসুক য়াম্না তৌরমত্তদা অদুখক্কীদমক অমুক শাওহল্লনু।” ঘী পুরক্লে। লম্বোইবদুনা মাগী খাউদগী ঠাকুরগী মীতম অমা পুথোরক্লে, শরিক খিংদুনা পুজা তৌরে অদুগা লুক্তু কৎলে। য়াম্না হাওনা চারে অদুদগী মবুক্তুদা মখূৎনা নোইর-নোইরদুনা থোঙ্গাল ময়াদুদা হিপথখরে। রামধননা পুখম, খাং, খাবৈ, খুজাইনচিংবদু ফেংননবগীদমক পুশিল্লক্লে। নুমিদাংদু মখোয়গী চাক থোংদ্রে, শুপ্নতংগী হৱাই ফুৎলে, মদু থক্লগা তোকলে। রামধননা হিপ্না হিপ্না খল্লকই - “ঐঙোন্দগীদি লম্বোইবসিনা হেন্না মরায়বক ফৈ।

**-মানসরোবর-৩ কৌবা হিন্দীগী ৱারীমচাদগী লৈমপোকপম**

**বেদান্তীনা হন্দোকপা**